
# সনালৈবাক স্পোর্টস

WEDNESDAY, JANUARY 22, 2014, PAGE 7




ফোর্মুলা ৱানগী রেস্টলর অমা ওইরিবা
হৌজিক্লা লাইবকথীবা থৌদোক অমদা
কোমাদা লৈরিবা মাইকেল সুমেকর

ইন্দিয়াদা লাকখিবা বাসকেটবোলগী
শান্নরোই মাইকেল জোরদানন্না বোল স্কোর
তৌনবা শেম শাবা



## ষ্টানিসলাস ৱারিনকাগী মখুত্তা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নোভাক জিওকোভিক লৈহৌরে

*মেলবোর্ন, জনুৱারি ২১ঃ*

মেলবোর্নদা চথরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইখিবা নোভাক জিওকোভিকপু ষ্টানিসলাস ৱারিনকানা য়াম্না শাংনা মেটচ শান্নবগা লোয়নননা মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



ষ্টানিসলাস ৱারিনকাবু হান্নগী চেম্পিয়ন অসিনা অহানবা সেটতা ২–৬ তা মায়থীবা পীখিবনি। মহাক্না অনীশুবা অমদি অহুমশুবা সেটতা য়াম্না নীংথিনা শান্নবগা লোয়নননা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নোভাকপু ৬–৪, ৬–২ দা থোইবা ঙমখি। মসিদা নোভাকনা সেট অমা ফাওবা মায় পাকপা ঙমখিদে।

শান্নরোই অনী অসিনা মখা তানা শান্নরকপগা লোয়না ৩ শুবা সেট অদুসু ৱারিনকানা ৬–৩ দা মায় পাকপা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী নিয়মগী মতুং ইন্না সেট ৫ শান্নবগী মনুংদা ৩ মায় পাক্লবসু ৪ শুবা সেট অদু দিসাইদিং ওইনা শান্নখি। মদুদসু ৱারিংকানা হান্নগী চেম্পিয়ন অসিবু ৯–৭ তা মায়থীবা পীদুনা হন্দক্কি ওইনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌবা শান্নরোই অমা ওইখি।

নীংশিংবা য়াই নোভাকনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিদা ৩ লক থংনা থংননা চেম্পিয়ন ওইবগা লোয়নননা হন্দক্কি অসিনা ৪ রক শুবা ওইনা থংননা চেম্পিয়ন ওইবগী আশা লৈ হায়না উৎখিবসি মহাক্না অহানবা সেট মায় পাকপা অদুদনি।

ৱারিংকা মমাঙগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা ৪ শুবা রাউন্দদা নোভাকনা মায়থীবা পীরম্বনি। অদুবু মখোয় অনী অহানবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন্দা থেংনখিবসি মমাঙ চহীগী ৪ শুবা রাউন্দ অদুদনি। মদুদা নোভাকনা ৱারিংকাবু ১–৬, ৭–৫, ৬–৪, ৬–৭(৫), ১২–১০ দা মায়থীবা পীদুনা চহী অদুগী ৪ শুবা রাউন্দদগী ওপন অসিদগী বিদাই পীরমখিবনি। মসিগী চপ চাবা পাউখুম ওইনা ঙসি অশাংবা মরাথোন মেটচ অমগা লোয়নননা ৱারিংকানা নোভাকপু মায়থীবা পীদুনা টাইটলগী আশা তৌরম্বা শান্নরোই অসিবু নীংবা কায়হনখি।

ৱারিংকা সেমি ফাইনেল চঙবগা লোয়নননা মহাক্না সেমি ফাইদেলদা থেংনগদৌরিবসি গ্রান্সলামগী টাইটল কয়ারক লৌরবা রোজর ফেদরর অমদি এন্দি মুরে অনীগী অকাবগা শান্নগনি।

নাকল অমরোমদা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইরিবী ওষ্ট্রেলিয়ন মচা হৌজিক ফাওবগী ওইনা রেঙ্কিং চন্দ্রিবী ইউজেনি বৌচার্দ অসিনা সেমি ফাইনেল চঙগনি হায়বগী মঙলম্বা মঙলান অদু মঙফাওনরে।

হন্দক্কি ওপন অসিদা মহাক অহানবা ওইনা শরুক য়াবনি। বৌচার্দনা মহাক্কী পুন্সিদা অহানবা ওইনা ইং ২০১২ দা পাঙথোকখিবা ৱিমব্লিদেনগী গালর্সকি টাইটল লৌখি। লোয়নননা ইং ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড টি এগী ওসাকাদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অমদা ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। লোয়নননা ষ্ট্রাসবৌরঙ অমদি ক্যুবেকতসু মহাক্না অনীরক সেমি ফাইনেল চঙবা শান্নরোই ওইখি।

## ইন্দিয়াদা নবেম্বর থাদগী রেষ্টলিংগী লীগ হৌরগনি

*ন্যু দিল্লী, জনুৱারি ২১ঃ*



অহানবা ওইনা ইন্দিয়ান রেষ্টলিং লীগ চহী অসিগী নবেম্বর থাদগী পাঙথোক্কনি। মসিদা লৈবাক অসিগী সিটি ৬ তা চয়োল ৩ লোমগী ওইনা লীগ পাঙথোক্কনি হায়রি।

ইন্দিয়ান রেষ্টলিং লীগ অসি নবেম্বর থাগী ময়াইদগী হৌন্নবা পান্দম লৈরে। মসিদা তোঙান তোঙানবা কম্পেনি কয়াগা খুৎশম্নদুনা অমদি স্পোন্সর তৌরকপা কয়া অমসু লৈরে হায়না ইন্দিয়ান রেষ্টলিং লীগকি কম্মিস্নার অমদি চিয়ারমেনসু ওইরিবা মন্দেলনা ফোঙদোকখ্রে।

চিয়ারমেননা মখা তারদুনা নবেম্বর থাদা করি মরমগীদমক লীগ অসিগী মতম লেপ্লিবনো হায়বসিগী মতাঙদা ফোঙদোক্লদুনা মখা তাখি। নবেম্বর থাদা ৱার্ল্ডগী ওইবা চেম্পিয়ন কয়া পাঙথোকপা লোইখ্রে। মরম অসিনা মসিদা অফবা শান্নরোই কয়া অমা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংগনি। লোয়নননা মসিদগী হেন্না চাউবা নেসনেলগী চেম্পিয়নসিপ অমা মমাঙদসু লৈত্রি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ক্রিকেটকি অচৌবা ঈহৌ অমা শাগৎলিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ অসি ২০১২ তা ওলেম্পিক লৈনা লৈনা ইন্দিয়াদা শান্নবা হৌখি। লোয়নননা মমাঙ চহীগী জনুৱারী অমসুং ফেব্রুৱারীদা ক্রিকেট লীগকি সেদ্যুল থমখি।

অহানবদা ইন্দিয়ান রেষ্টলিং লীগ অসি জনুৱারী অমদি ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্লবা ৱারেপ অমা লৈরম্বনি। মদু অহাংবা খরা লাকপগা লোয়নননা নবেম্বর থাদা পোষ্টপোন্দ তৌরকখিবনি। মসিনা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা ইন্টর্নেসনেলগী এরিনাদা মখোয়গী হৈশিংবশিং উৎথোকহন্নবা হোৎনবগা লোয়নননা পাঙথোক্লিবা লীগ অসিদা তোপ ওইবা মীওই অমদি শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিংদা শেলগী মনা চাউনা পীগদৌরি।

লীগ অসিবু শীল্লি লাঙলিবা কাঙবু অসিনা স্পোর্টসতা হেন্না মীৎয়েং চঙলকপগা লোয়নননা মমাঙ চহীদগী হৌনা ইন্দিয়ান বেদমিন্টন লীগসু শান্নবা হৌখ্রবদুনি। পাঙথোক্কদৌরিবা লীগ অসিদা লুপা ক্রোর ২৫ মুক্না শীন্দুনা শরুক য়ারিবা রেষ্টলরশিংদা শেলগী মতেং প্রাইজ মণি ওইনা পীবগা লোয়নননা শরুক য়ারিবশিংদসু শেল পীগদৌরি। মসিদা শেল পুথোক্কুনা স্পোন্সর তৌরিবা কাঙবু অসিনা হরিয়ানা, উত্তর প্রদেশ, পঞ্জাব, মহারাষ্ট্র অমদি ন্যু দিল্লীদা বেজ তৌদুনা লীগ অসি পাঙথোক্কদৌরি। মথক্কী মফম অসিদা পাঙথোক্লবা মতুংদা ঝরখন্দ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদসু পাঙথোরকপা য়াবগী থাজবা লৈ হায়না মন্দেরনা পনখি।

## জমাইকাগী উসেন বোল্টনা পেরিস দাইমন লীগতা মীৎয়েং থল্লি

*পেরিস, জনুৱারি ২১ঃ*



জমাইকাগী স্পিন্টর ওইরিবা ৱার্ল্ড অমদি ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবা উসেন বোল্টনা চহী অসিগী জুলাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা পেরিস দাইমন লীগ অসিদা শরুক য়াগনি হায়না লীগ অসিবু শীল্লিবা ওর্গনাইজরনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ওর্গনাইজরশিং অসিনা মখা তারদুনা জমৈকাগী স্পিন্টর অসিনা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ষ্টেদি দ ফ্রেন্সতা শরুক য়াবগা লোয়নননা ২০০ মিটরগী লমজেলদা মহাক্না মায় পাকপা ঙমখি। মসি ৱার্ল্ডগী খ্বাইদগী চাউবা মোস্কো চেম্পিয়নসিপ পাঙথোক্লিঙৈগী মাঙওইননি।

চেম্পিয়নসিপ অদুদা মহাক্না ১০০ মিটর, ২০০ মিটর অমদি ৪ x ৪০০ মিটরসতা গোল্ড মেদল লৌখি। জমৈকাগী লমজেলোই অসিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক মশান্না থমখিবা ১০০ মিটরগী রেকোর্দ অদু হন্দক্কি পেরিস লীগ অসিদা থুগাইগনি হায়বগী থাজবসু থমখি।

## গ্রিন হোর্নেটনা চিরুবু মায়থীবা পীখ্রে

*জিরিবাম, জনুৱারি ২১ঃ*

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েংখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ১০ শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা মেটচতা গ্রিন হোর্নেটনা চিরু স্পোর্টিং ক্লবপু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

আসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা সিলচর টাউন্দদা বেজ তৌবা গ্রিন হোর্নেট টিম অমদি চিরু স্পোর্টিং ক্লব কোইলাপুল কছার আসামবু গোল ৩–১ দা থোইখিবনি। গ্রিন হোর্নেটকি রামমোহন বক্তিনা মেটচকি অনীশুবা মিনিটতা য়াম্না থুনা গোল চন্দুনা টিমগী গোল একাউন্দ হাংদোকখি।

অহানবা হাল্ফ অদুদা টিম অনীমক্না য়াম্না কন্না শান্নবগা লোয়নননা চিরু স্পোর্টিং ক্লবকি পারথাংলিয়াননা ৪২ শুবা মিনিটতা গোল ১ চন্দুনা দ্রো ওইখি। টিম অনীমক্না মখা তানা শান্নরবসু গ্রিন হোর্নেটকি ফংখিবা পেনালটি কিক অমদা ফাইখোনা রোংমৈনা ৬৪ মিনিটতা গোল ১ চনখি। মসিগী মতুংদা হান্না গোল চনখিবা রামমোহননা ৯০ শুবা মিনিটতা গোল অমগা চন্দুনা মায়থীবা পীখিবনি।

## সনিয়া মিরজা অমদি কারা ব্লেক ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে

*মেলবোর্ন, জনুৱারি ২১ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ৱিমেন্স দবলসতা টাইটল লৌগনি হায়দুনা আশা তৌরম্বা ইন্দিয়াগী সনিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী জিম্বাব্বেগী পার্থনর কারা ব্লেক ঙসি শান্নখিবা দবলসকি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা দবলসতা টোপ সিট ওইরিবা ইটালিগী সরা ইররাণী অমদি রোবার্টা ভিন্সিগী মখুত্তা মায়থীহৌবগা লোয়নননা ওপন অসিদগী লৈহৌরে।



দবলসকি ৬ শুবা সিদেট ওইরিবী ইন্দো জিম্বাব্বেগী টিম অসিনা ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ টিম ওইরিবা ইটালিগী টিম্বু য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা মায়থীবা পীরগনি হায়বগী আশাদা শান্নখি। অহানবা সেট অদুদা টিম অসি ইটালিগী টিম অদুদা ২–৬ তা মায়থীবা নঙখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা সনিয়া অমদি ব্লেকনা হান্নদগী হেন্না কনখৎনা শান্নবা হৌরকপগা লোয়নননা মখোয়না অনীশুবা সেট অদুদা ইটালিগী দবলস টিম অদুবু য়াম্না লাকচনা ৬–৩ দা মায়থীবা পীখি।

মখোয়না টোপ অসিট টিম ওইরিবা ইটালি কাঙবু অদুদগী ৬–৩ দা মাঙজিল থাদুনা ওইখিবগা লোয়নননা ৩ শুবা সেট শান্নবা হৌরকপদসু মখোয়না ইটালিগী টোপ সিট ওইরিবা টিম অসিদগী গেম ৪–২ দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি।

ইটালিগী ৱিমেন্স দবলসতা টোপ সিট ওইরিবা শান্নরোই অনীনা মখা তাবা মেটচশিংদা মখোয়গী টোপ রেঙ্কিং টিম ওইবগী হৈশিংবা অদু অরেম্বদা মাঙখ্রগনি হায়না য়াম্না চেকশিন্না শান্নবগা লোয়নননা ওপোনেন্ট টিম ওইরিবা ইন্দো জিম্বাব্বেগী মথক্তা হেন্না ফজবা ষ্ট্রাইক কয়া তৌবগা লোয়নননা অরোইবা সেট অদু মখোয়না মথং মথং মায় পাকপগা লোয়নননা ৬ শুবা সিটতা লৈরিবা সনিয়া অমদি কারা ব্লেককি দবলস টিম্বু ৬–৪ দা মায়থীবা পীবা ঙম্বগা লোয়নননা সেমি ফাইনেল চঙবা টিম ওইখি। সনিয়া অমদি ব্লেকনা ব্রেক পোইন্ট ১৫ মায় পাকপা ঙমখি।

## নেসনেল কবাদি চেম্পিয়নসিপ হৌখ্রে

*পটনা, জনুৱারি ২১ঃ*

পটনাগী পালিপুত্রা স্পোর্টস কমপ্লেক্স ষ্ট্রেদিয়মদা নুপাগী টিম ১৬ নুপীগী টিম ১৬ পুন্না টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা নুমিৎ ৪ নি চখৎগদবা ৬১ শুবা নেসনেল সেনিয়র কবাদি চেম্পিয়নসিপ ঙসিদগী হৌখ্রে।

ঙসিদগী হৌখিবা ৬১ শুবা নেসনেল সেনিয়র কবাদি চেম্পিয়নসিপ অসি অহানবা ওইনা ষ্টেদিয়ম অসিগী ইন্দোরদা থারিবা সেন্টিথিক কোট অনীদা শান্নগদৌরি। মসিদা চাউরাক্না শান্নরোই ৪৪৮ অমদি ওফিসিএলশিং য়াওগনি হায়না এমেচর কবাদি ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী দিনেস পটেলনা ফোঙদোকখি।

মসিনা শক ২০১১ দা পাঙথোকখিবা ৱিমেন্স ৱার্ল্ড কপ কবাদি চেম্পিয়নসিপ অদুগী মখাদা খ্বাইদগী চাউবা অমা ওইরি। নুপাগী পুল–এদা করনাটাকা, চান্দিগর, বিদরভা, হায়দরাবাদ, পুল–বিদা মহারাষ্ট্র, টামিল নাদু, ঝরখন্দ অমদি হরিয়ানা, পুল–সিদা ইন্দিয়ান রেলৱে, রাজস্থান, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি পঞ্জাব, পুল–দিদা উত্তর প্রদেশ, সার্ভিসেস, মধ্য প্রদেশ অমদি বিহারনি।

নুপীগী পুল–এ দা মহারাষ্ট্র, ৱেষ্ট বেঙ্গল, টামিল নাদু অমদি হিমাচল প্রদেশ, পুল–বি দা ইন্দিয়ান রেলৱে, পঞ্জাব, ছটিশঘর অমদি বিহার, পুল–সিদা হরিয়ানা বিদরভা, মণিপুর অমদি কোন্দিচারি অদুগা পুল–দিদা করনাটাকা, অন্ধ্র প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ অমদি দিল্লী লৈরি।




Millennium Institute of Sciences
Presents for the first time
MILLENNIUM SCHOOL
From 2014-15 Academic Session opening
Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.
From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
Special features : AC room for daycare
- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

Form available from 7th November 2013
@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B

ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)
URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR

MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph)14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

MEGA MOCK TEST 2014
TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726